# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 20-05-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থি হুন্নবগী থবক চথবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে।

২) মঙাসুবা তাঙ্কক্তা লোক সভা সিট ৪৯ গীদমক হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং অয়ুক পুং ৭ তগী ভোৎ থাদবা হৌখ্রে।

অমসুং

৩) বি.জে.পি লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- জ্ন ৪ গী মতুংদা লৈবাক অসিদা বি.জে.পিনা সরকার শেম্লগনি অমসুং শেঞ্জা থুমজা তৌবা মীওই খুদিংমক জেলদা থাজিনগনি।

------

পুলিস (এল)ঃ মণিপুর পুলিসনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থি হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক চথখ্রে। থি হুন্নবগী থবক চথবা অদুদা কাংপোকপী জিলাগী আই.টি রোদতগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. করবাইন মেছিনগন অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট টু টুগী পিষ্টোল অমা অমসুং কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৭ ফংলে হায়রি।

মণিপুর পুলিসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী এম.আই-রোদতগী য়ু.এন.এল.এফ (পি) কাংলুপকী মীওই অমা ফাখি। মঙোনদগী মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা অমসুং কাপ্পা

য়ারিবা মরু ৯ ফংলে হায়রি। মহাক মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি।

অমরোমদা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা আইলেন্দ খুলদগী খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎখি। খুৎলায়শিং অদু মীওই ৭ তগী ফাগৎপা ঙমখিবনি। অদুমওইনমক, মীওইশিং অদু মীয়াম হুপচিল্লকপগী খুদোংচাবা লৌদুনা নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়রি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুদি- মেগজিন য়াওবা ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্সগী ইন্সাস রাইফল অমা, ইন্সাস এল.এম.জি অমা, মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল গন অনি, বাইনোকুলর অমা, খৌক্রি থাং অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৪৯ য়াওরি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী থঙ্গাল বজারদগী প্রিপাক্কী মীওই অহুম ফাবা ঙমলে। মখোয়দগী মোবাইল ফোন অহুম, শেল ওইনা লুপা লাখ ১ লিশিং ৯০ ফাগৎপা ঙমলে। মীওইশিং অসি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতনা মণিপুর পুলিসনা মীওই অমা শিংজমৈ চীংঙামখোঙ ইম্ফাল ৱেষ্টতগী নোংমৈগী মেগজিন অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ১০ অমসুং মোবাইল হেন্দসেট অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

মরক অসিদা, অকনবা সেক্যুরিতি চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হাইৱেশিংদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়িশিং অশোই অঙাম য়াওদনা পুশিল্লক্লি। চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতিগী কনভোই থমদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

পোনি (এল)ঃ  মণিপুরী পোনি হায়রগা খঙনবা মণিপুরগী তাংলবা শগোল মখল অসি য়োকখৎতুনা থমবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা হয়েং ফার্মরস ট্রেনিং হোল, ভেটেরিনারি কমপ্লেক্স, শঞ্জেনথোং ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি। রাজ্যগী দাইরেক্টোরেট ওফ ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেস মণিপুরনা মণিপুরী পোনি সোসাইতিগা পুন্না শিনবা থৌরম অসিদা মণিপুর তাংলবা শগোল মখল অসি য়োকখৎনবগীদমক ৱাফম কয়া খন্নগনি।

অসাম ঃ অসাম পুলিসনা রাজ্য অদুদা ড্রগকী মায়োক্তা চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক ওইনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদগী ড্রগকী পোৎলমশিং ফাগৎপা লেপত্রি। মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা হায়- তুংগী মীরোলশিং কন্নবগীদমক সরকার অসিনা ড্রগকী মায়োক্তা লেপ্তুনা থবক চথখিগনি।

অককবা পাউ অমা ফংবদগী কছার পুলিসনা কলাইন মারকের্টকী অকোইবদা থি হুম্বগী থবক চথবদা মীওই অমা ফাবা ঙমখি। মঙোনদগী মোটোর সাইকল অমগা লোয়ননা য়াবা টেব্লেক লিশিং ৪ ফাবা ঙমলে। নিংশিংবা য়াই, কছার পুলিসনা লুপা কোতি ১০৫ রোমগী মমল ওইগদবা হিরোইন মীওই অনিদগী ফাগৎপা ঙমখিবনি।

দিব্রুগর জিলাগী দুলাইজান পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মফম অমদগী পুলিসনা প্লাষ্টিক পেকেট ১২ দা হাপ্লম্বা ড্রগ ফাগৎপা ঙমলে। সোনিতপুর পুলিসনসু থি হুম্বগী থবক চথবা প্লাষ্টিক পেকেট ১১ দা ড্রগ ফাগৎপা ঙমখি। মসিগী মথক্তা রাজ্য অদুদা আইন কায়না জব্বার শান্নবা, লগাউ খাউবা অমদি ষন লল্লোনবা মীওইশিং ফাগৎপা লেপত্রি।

ইলেক্সনঃ লোক সভা মীখলগী মঙাসুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং অয়ুক পুং ৭ তগী থাদবা হৌখ্রে। ভোৎ নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা থাদনগনি। তাঙ্কক অসিদা লোক সভা কেন্দ্র ৪৯ গীদমক রাজ্য ৬ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ২ দা ভোৎ থাদনরি। ভোৎ থাদনরিবা সিটশিং অদুদি- উত্তর প্রদেশকী ১৪, মহারাষ্ট্রগী ১৩, নোংচুপ বেঙ্গলগা ৭, ওরিষা অমসুং বিহারগী ৫-৫, ঝারখন্দগী ৩ অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমসুং লদাখকী সিট অমমমনি।

তাঙ্কক অসিদা মীরেপ ৬৯৫ গী মরাইবক লেপকনি। শকাইরবা মীরেপশিংগী মনুংদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ, পিয়ুস গোয়ল, স্মিৃতি ইরানি, কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধি, নেসনেল কনফরেন্সকী লুচিংবা ওমর অবদুল্লা, এল.জে.পি (রাম বিলাস)কী লুচিংবা চিরাক পাসৱান য়াওরি।

মীখল অসিগীদমক পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ৯৪,৭৩২ হাংদোক্কুনা পোল্লিং ওফিসিয়েল লাখ ৯ লিশিং ৪৭ শিজিন্নরি। ইলেক্সন কম্মিসন্না তাঙ্কক অসিগী

ভোৎ শান্তি ওইনা পাঙথোকবা থৌরাংশিং লৌখৎলে। ভোৎ থাদবা লাকপা মীওইশিং, মরুওইনা অহল ওইরবা অমদি মীগা মীমান্নদ্রবশিং নুংঙাইনা ভোৎ থাদবা য়ানবা পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক্তা থবক পায়খৎলে। হৌজিক ফাওবদা লোক সভা সিট ৩৭৯ গী ভোৎ রাজ্য ২৩ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১ দা তাঙ্কক মরি থোকা শান্তি ওইনা অশোই অঙাম থোক্তুনা পাঙথোকখ্রে। তাঙ্কক মরি ফাওবদা পুন্না ভোৎ থাদখিবগী চাং অসি চাদা ৬৬.৯৫ নি। ইলেক্সন কম্মিসন্না নোংচুপ বেঙ্গলগী বি.জে.পি প্রসিদেন্ট মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ত থুগাই হায়বগীদমক সো কোজ নোটিস থাখ্রে। কম্মিসন্না হায়- লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা থাংজ নুমিৎ ফাওবদা শেল অমসুং ড্রগ য়াওনা লুপা কোতি লিশিং ৮,৮৮৯ রোম ফাগৎলে। মসিগী মনুংদা চাদা ৪৫ দি ড্রগনি।

মরক অসিদা, থা অসিগী ২৫ অমসুং মথং থাগী ১ দা ভোৎ থাদনগদৌরিবা ৬ শুবা অমসুং ৭ শুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং ঝারখন্দ অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি। গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা উত্তর প্রদেশকী মফম কয়াদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়া এল্লায়েন্সকী মারেপশিংবু হুনদুনা ৱা ঙাংখি।

কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধি অমসুং সমাজৱাদি পার্তিগী প্রসিদেন্ট অখিলেস যাদবনা পুন্না এল্লাহবাদ কেন্দ্রদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনদা শরুক য়াখি।

বিজেপি ঃ বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- জন্ ৪ গী মতুংদা লৈবাক অসিদা বি.জে.পিনা সরকার শেম্লগনি অমসুং শেঞ্জা থুমজা তৌবা মীওই খুদিংমক জেলদা থাজিল্লগনি। নোংচুপ বেঙ্গলগী পুরুলিয়াদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- নোংচুপ বেঙ্গলদা সাসন তৌরিবা ত্রিনামুল কংগ্রেস সরকার অসিনা সেদ্যুল কাষ্ট, সেদ্যুল ত্রাইব অমসুং দলিতশিংগীদমক্তা করিগুম্বা অমত্তা খনদ্রে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না অকোইবগী ফিভম কন্নবা হোৎনবদা ইশা ইশানা দাইত্ব লৌনবা তৌখিবা আপীল, কামজোংদা ম্যান্মার রিফ্যুজিগী ৱাথোক ওইরে হায়বা পাউ অমসুং বজার কম্যুনিতিনা ইম্ফালদা পুং ২৪ গী সট-দাউন লাউথোকখ্রে হায়বনচিংবনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা হেদলাইনশিং ওইরি।

সনালৈবাক্তা- নমথিবনা নতোন মেন্নরবা খ্বাইরক্ষন্দ কৈথেল সি.এমনা লুচিংদুনা শিৎ শেংখ্রে, অকোইবগী ফিভম কন্নবা ইশা ইশানা অঙন্বা থৌদাং লৌমিন্নশি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি মণিপুর নিউজদা মহৌশাগী ফিভম কায়হন্দনা থম্বা নেচরেল রিছোর্সশিং ঙাক শেন্দুনা থম্বদা কম্যুনিতি খুদিংমক পুন্না থৌদাং লৌমিন্নবা চংই- চীফ মিনিষ্টর, নহারোলগী থৌদাংদা নোংম পানবা খুদিংগী খ্বাইরক্ষন্দ কৈথেলগী অকোইবা শিৎ শেংশি- সি.এম, শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অকোইবগী ফিভম কনবদা ঐখোয় পুন্না শরুক য়াশি, সি.এম হায়না তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- মণিপুরদা হিংশা মায়োকখ্রবা মতুংদা মিজোরমদা ড্রগ ফাবগী চাং খংহেন হেনগৎলকপা থেংনখি হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- কামজোংদা ম্যান্মার রিফ্যুজিগী ৱাথোক ওইরে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- কামজোং জিলাগী মফম অয়াম্বদা ম্যান্মারদগী চেনশিল্লকপা রিফ্যুজি মশিংনা মফমদুদা হান্নদগী লৈরক্লবা খুঞ্জাশিংগী মশিংদগী হেনগৎলক্লে, রিফ্যুজিশিং মফম অমদা নিংথিনা থমবা খুঞ্জাশিংদা সরকারদা তকশিল্লক্লি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- বজার সোপ ওনর কম্ম্যুনিতিনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পুং ২৪ গী টোতেল সট-দাউন লাউথোকখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- ঙসি ষ্টেট ৬, য়ুনিয়ন তেরিতোরি অনিগী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুন্সি ৪৯ দা মঙাসুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ থাদনরগনি হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা- সি.সি.পুর অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট খক্তদা লম একর লিশিং ১৬,১৬১ দা থারম্বা পোপি পান্বীশিং পাক শন্না য়াম্থৎখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- মণিপুরদা হৌখিবা চহি ৭ অসিদা লুপা ক্রোর ৮০০ রোমগী ড্রগ ফাগৎখি। চেন্নবা মীওই লিশিং ২,৯৪৩ ফাবা ঙমখি হায়না ওফিসিয়েল রিপোর্ট অমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- শকখঙদবশিংনা কাপশিল্লম্বদগী দুকান ফম্বা নুপা অমা শোক্লে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- য়ু.পি.এস.সি পরিক্ষাদা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী চীংগী জিলাশিংগী কেন্দিদেটশিংদা লুপা লিশিং ৩-৩ গী ত্রাভেল্লিং এল্লাৱেন্স পীনবা সুপ্রিম কোর্টনা রাজ্য সরকারদা খঙহনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেনলাইন তৌরি। পাউ অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপেসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

গানফিউ মেলদা- কোইরেংনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফনা ত্রান্সজেন্দর অমা নুপী লল্লোনবগা মরী লৈননা চৈরাক পীখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- তমেংলোং কলেজগী মহৈরোইশিংনা মোদেল ভিলেজ গভর্নমেন্ট হাইস্কুলদা লম তু শেংদোকপগী দ্রাইভ অমা চথখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------